# রাহুল গান্ধীনা অমেথিদগী দোমিসাইল সার্টিফিকেট লৌননবা থারকখিবা দরখাস্ত কেন্সেল তৌখ্রে



***অমেথি, এপ্রিল ৩ ঃ*** কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং লমদম অদুগী এম পি রাহুল গান্ধীনা অমেথিদা দোমিসাইল সার্টিফিকেট পীবিনবা থারকখিবা দরখাস্ত অমা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না কেন্সেল তৌখ্রে।

মফম অদুদা লৈতবা রাহুল গান্ধীনা মশামক্না সহি তৌবা দরখাস্ত অমা থারকখি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদ জগৎব্রাজ ত্রিপাথিনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা, আইনগী ৱাংমদা রাজেন্দ্র সিংহনা এপ্লিকেসন অদু পুরকখি। অদুম ওইনমক দরখাস্ত অদু কেন্সেল তৌখি হায়রি।

দরখাস্ত অদুগা মরী লৈনবা চে–চাংদি ওফিস অদুদা লৈতে হায়না ফোংদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, রাহুল গান্ধীনা অদুগুম্বা সার্টিফিকেট অদু পান্নবদি মহাক মশামক লাক্তুনা সহি তৌবগা লোয়ননা দরকার লৈবা চে চাং খুদিংমক পীশিনফম থোকপনি। ইলেক্সন কন্মিসনগী য়াথং মতুং ইন্না কেন্দিদেট খুদিংমক্না মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোক্কদবনি। লোয়ননা দোমিসাইল সার্টিফিকেটসু দরকার লৈ হায়না ওফিসিয়েল অদুনা ময়েক শেংনা ফোংদোরক্লি।

অমেথিগী ওইবা কংগ্রেস পার্টিগী স্পোক্স পার্সন রাজেন্দ্র সিংহনা অদুগুম্বা সার্টিফিকেট অদু ইসু তৌননবগীদমক মুন্সিগঞ্জ গেষ্ট হাউসতা মহাক (রাহুল) মতম খরগী ওইনা লৈ হায়না উৎপা চে চাং পুথোরকখি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুথোরকখিবা চে চাং অমসুং দরখাস্ত অদু আইনগী ৱাংমদা লৈ হায়না কেন্সেল তৌখিবনি হায়রি।

কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা লাক্লিবা মীখল অসিদা রাই বরেলিদা মীরেপ ওইগনি অদুগা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী অপোকপা রজিব গান্ধীনা মীরেপ ওইখিবা অমেথিদা অদুমক মীরেপ ওইননবগীদমক দরকার লৈবা চে চাংশিং তাম্বোকপা দরকার লৈরি।

# এন এস এল এ নি চিংনবশিংনা শিন্মী অহুম কাপ্পুনা হাৎলপ্লে

***গুৱাহাতি, এপ্রিল ৩ ঃ*** নেসনেল সন্থালি লিবরেসন আর্মি (এন এস এল এ) গী মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা য়ুম শাবগী থবক তৌবা শিন্মী অনি অমসুং দ্রাইভর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলপ্লে।

থৌদোক অদু কোক্রাজর দিষ্ট্রিক্টকী গোষাইগাওন সব–দিভিজনগী মনুং চনবা বুবুবিল লমদমদা থোকখিবনি। শকখঙদবশিংনা নুপী অমা য়াওনা শিন্মী অনি অমসুং ত্রক দ্রাইভর অদু নোংমৈনা কাপ্পুনা মফম অদুমক্তদা হাৎলমখিবনি।

লৈখিদ্রবশিং অদু মশক মমিং খঙদোকপা ঙমখ্রে। মখোয়দুদি, ত্রক দ্রাইভর রজিব মুসাহারি (৩৫), থবক শুবা নুপী অশাতন বিবি (৩০) অমসুং সাইফুল শৈখ (৩২) নি। অদুগা শোক্লবা মীওই অদুনা এ রহমননি হায়রি। মহাক গোসাইগাউন সিভিল হোস্পিতালদা পুখত্তুনা লায়েংখ্রে।

অসামগী হোম সেক্রেটরি জি দি তিরুপার্থি না পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা থবক শুবা কাংবু অদুদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকপা তৌদনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎলম্বনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না এটেক চখরম্লিবা মীওইশিং অদু এন এস এল এ গী মিলিটেন্টশিং ওইরম্বা য়াই হায়রি।

থোং শাবগী থিকাদার অদুদা হায়রিবা লুপ অদুনা এক্সর্টেসন নোটিশ পীরমখিবা লৈ হায়রি। এন এস এল এ হায়রিবা লুপ অদু অতোপ্পা গ্রুপ মঙাদগী তোখায়না তারক্ল বা কাংবুশিংনা শেমখিবনি। মখোয়শিং অদু অদিবাসিশিংগী মথক্তা লান চখনবনি হায়রি। গ্রুপশিং অদুদি, অদিবাসি পিপলস আর্মি, অদিবাসি কোব্রা মিলিটেন্ট ওফ অসাম, বিরসা কম্মান্দো ফোর্স, সন্থালি টাইগর ফোর্স অমসুং ওল অধিবাসি নেসনেল লিবরেসন আর্মিনি হায়রি।

অনৌবা আইননা য়াদবা লুপ অদু ইং ২০১২ গী জানুৱারী ২৪ দা অসামগী চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোই অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগী মমাংদা খুৎলায় থাদোক্তুনা সরেন্দর তৌখ্রবা মতুং নৌনা শেম্লকখিবনি। অতোপ্পা আইননা য়াদবা লুপ মরি অদুদি মার পিপলস কনভেন্সন, কুকি লিবরেসন আর্মি, কুকি রিভোলুসনরি আর্মি অমসুং য়ুনাইটেদ কুকি দিফেন্স আর্মিনি হায়রি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –১০

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিঙ্খা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

***উরা কোন্থৌবা (খৃঃ ৫৬৮–৬৫৮) ঃ*** *উরা কোন্থৌবনা শিরবনা মৈতে লৈবাক্তা নিংথৌ ওইবীনবা লৈতদুনা চহি মঙা নিংথৌ পানখিদে। মৈতে লৈমা খাবরোন নোংজেংসুনা মৈতেগী অঙম–অথৌ ফম্নাইবা থাদুনা মচা নাউথিংখোংগী খোঙ্গুল লিহনবদা খুমন নিংথৌগী নাক্তা লৈরে পাউ তাবদা অঙম অথৌ থাদুনা কৌহল্লুরগা মপাগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা মৈতে লৈবাক্কী নিংথৌ ওইহনখি। উরা কোন্থৌবনা খাবরোন নোংজেংসুনা নাউহলনে, য়োইচারোননে, নাউথিংখোংনে, নিংথৌ রাঙানে মচানুপা মরি পোকই। নোংপানলোন হোইয়াম্বীনা মচানুপা ফৌরাং লাইকোকসু পোকই।*

*– মখা মথং মথং*


## LOST

I have lost my Original Marksheet of 1st Semester and 7 Semester bearing Roll No. 23069 and Registration Certificate no. 10657 of 2001 of Manipur Institute of Technology issued by Manipur University, on the way between Takyelpat and my home.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-*
**Ningombam Samson Singh**
S/o. Gyanendro Ningomba
Khongman Mangjil Zone-II.

*SL/B/4*


# মীখলগী খরচ য়েংশিনবগী ৱাফম দিমোক্রেসিবু করেম্নবনি ঃ *জয়াললিথা*

***চেন্নাই, এপ্রিল ৩ ঃ*** ইলেক্সন কন্মিসন্দা এটেক চখবা অমা ওইনা টামিল নাদুগী চিফ মিনিষ্টর অমসুং ওল ইন্দিয়া অনা দ্রাভিদ্রা মুনেট্রা কাজাগম (এআইএদিএমকে) গী সুপ্রিমো জয়াললিথানা ঙসি শগোলশেল নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা, মীখলগা মরী লৈনবা খরচশিংদা মীৎয়েং চংশিল্লক্লিবা অদুগী মতাংদা মহাক্কী পার্টিনা কোর্টতা ৱাকৎকনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লিশিংগী মতাংদা ইলেক্সন কন্মিসন্না খরচ পাশিনবগী থবক চখরক্লি। ইলেক্সন কন্মিসন্না মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লিশিংদা চংলিবা খরচ অদু কুপ্না য়েংলি। মদু অদুগুম্বা রেল্লি অদুগী দাইজদা ফল্লিবা কেন্দিদেট অদুগী মীখলগা মরী লৈনবা এক্সপেন্দিচরদা হাপচিনগদবনি হায়রি। মদু দিমোক্রেসিবু করেম্নবনি।

হায়রিবা নিয়ম অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী পার্টিগী ওইবা কেন্দিদেট অমত্তা পুথোকপা ঙম্লোইদৌরে। লোয়ননা কেন্দিদেট অমগী মিং ফাওবা পনবা ঙমদ্রে হায়না ষ্টেট অদুগী সালেমদা পাংথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লি অমদা লুচিংবী অদুনা ফোংদোকখ্রে।

ইলেক্সন কন্মিসন্দা মহাক্না মখা তানা হংখিবদা, মীখলগা মরী লৈননা লাকখিবা মীওইশিং অদুনা লাকপগী খরচশিং অদু কেন্দিদেট অদুগী খরচতা হাপচিনগনি হায়রি। মদু আইননা য়াদবা অমনি। ইলেক্সন কন্মিসন্না এ আই এ দি এম কে গী রেল্লিদা য়াওবা লাকখিবা মীয়াম্বু অকক্লবা মশিং অমদা থম্বা পাম্বগী মওং অদুদা অঙকপা ফাওই। করিসু লৈতবা ৱাফম অমা লাউথোকপগী মতাংদসু ইলেক্সন কন্মিসনগী অয়াবা লৌবা দরকার ওইরি। মদু দিমোক্রেসিগী চৎন–পথাপকী মায়োক্তঃনি হায়খি।

# কংগ্রেস পার্টি শোক্ল–শম্নবা য়াদবা কাংবু ওইরক্লি ঃ *ভেনকয়া নাইদু*



***বেঙ্গলোর, এপ্রিল ৩ ঃ*** কংগ্রেশ পার্টি শোক্ল–শম্নবা য়াদবা কাংবু অমা ওইরক্লি। মখোয় অথুবা মতমদা লোয়শিনখ্রগনি। লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা লৈবাক অসিগী ওইবা ইতিহাস অমা ওইনা পার্টি অদুনা সিট দিজিট অনিদা হন্থখ্রগনি। অদুগা তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়ানা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা এন দি এ দা য়াওরক্লগনি হায়না বি জে পি গী লুচিংবা ভেনকয়া নাইদুনা ফোংদোরক্লি।

মতম অমদা বি জে পি বু শম্নবা য়াদবা পার্টি অমনি হায়না মীয়াম্না লৌনখি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু হোংলকপগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টি মীয়ামগা শম্নবা য়াদবা পার্টি অমা ওইরক্লে। অদুগা নরেন্দ্র মোদিবুনা মীয়াম হুপ্না য়াবা মীশক অমা ওইরক্লি। মদুগী প্রমানদি বি জে পি না লুচিংবা এন দি এ দা মীওই কয়া য়াওশিল্লক্লি হায়না বি জে পি গী লুচিংবা ভেনকয়া নাইদুনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখ্রে।

নুমিৎ খরনিগী মতুংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলগনি। হৌজিক পার্টি কয়ানা এন দি এ দা য়াওশিল্লক্লি। ভেনকয়া নাইদু মমাংদা বি জে পি গী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইরমখি। মহাক্না হায়, কংগ্রেশ পার্টিদি লোয়শিল্লক্লে। লোক সভাগী মীখলদা লৈবাক অসিগী ইতিহাস অমা ওইনা কংগ্রেস পার্টি দিজিট অনিদগী হেন্না মায় পাকপা ঙম্লরোই। মদু লৈবাক অসিগী হিষ্ট্রিদা খ্বাইদগী হন্থবা থাক অমনি। বি জে পি না অনৌবা ইতিহাস শেম্বগা লোয়ননা খ্বাইদগী হেন্না সিট মশিং ফংগনি হায়না ফোংদোরক্লি।

মহাক্না হায়খিবদাকংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ইমাম ভুখারিগা উন্নখি। থৌওং অদু য়েংলগা কংগ্রেস পার্টি অসি য়েৎননিংঙাই লৈতনা খ্বাইদগী হেন্না কাংলুপ নাইবা পার্টিনি হায়বা উৎলে। মখোয়না আইননা য়াদবা মুস্লিম লিগ, সিমি অমসুং কাংলুপ নাইবগী লুচিংবা মরুওইনা মাদানি অমসুং ইমাম ভুখারিবু পুক্লিং থৌগৎলি হায়না ফোংদোরক্লি।

নাইদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, কংগ্রেস পার্টিনা কাংলুপ নাইবা মীওইশিংগা শম্নদুনা মখোয়গী ভোট ৱাংখৎনবা হোৎনরি। ভুখারীগী মতেং ফংলবা পার্টি অদুনা কমদৌনা সেক্যুলারিজমদা থাজবা থমগদৌরিবনো। মদুগী মতাংদা কংগ্রেসনা ময়েক শেংবা ৱাফম ফোংদোক্কদবনি।

শ্রীলঙ্কাগী টামিলশিংগী ৱাথোক্কী মতাংদা মহাক্না হায়খিবদা, টামিল ইলামদা পার্টি অদুনা তোখায়না শৌগৎপগী ৱাফম লৈতে। পার্টি অদুগী ৱাখল্লোন্দা ঈথৎ লৈবাক অমা ওইরিবা শ্রীলঙ্কাবু মচেৎ তাহন্নিংবগী অপাম্বা লৈতে হায়খি।

# ট্রেন থেংজিন্নবদা মীওই অনী শিরে



***লিক্ষনৌ, এপ্রিল ৩ ঃ*** উত্তর প্রদেশতা ট্রেন অনী থিংজিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই অনি শিরে, ১২ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ঙসি ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদু লক্ষনৌদগী কিলোমিটর ৪১০ রোম চৎলগা লৈবা সোনেভদ্রগী ওব্রা দম রেলৱে ষ্টেসন্দা থোকখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ট্রেন থেংজিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরক্লি।

কটনি পেসেঞ্জর ট্রেননা বরানসি শক্তিঃনগর ইন্টরসিটি ট্রেন্দা থোমজিনখি। ষ্টেসন অদুদগী খরা চখোক্লগা লৈবা মফম অমদা শক্তিনগর ইন্টরসিটি ট্রেন অদু খামদুনা লৈবনি। মতম অদুদা কটানি ট্রেন অদুনা মঙোন্দা চৎপা য়াবগী অয়াবা পীদ্রিঙৈদা চৎশিনখিবদগী থৌদোক অদু থোকখি। মফম অদুমক্তদা পেসেঞ্জর অনী খুদক্তা শিখি অদুগা মীওই কয়ানা অরুবা ফিভমদা শোকহনখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিতালদা পুখত্তুনা লায়েংখি হায়রি।


## মৌ অমা মাংখ্রে

ঐগী ইমৌনুপী য়ুরেম্বম নিংঙোল য়ুম্নাম ওংবী পিঙ্কি দেবী (২৩) না হৌখিবা তাং ১ গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা য়ুমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্ত্রে। মহাক অঙাং উন্নবগী মতমসু শুরবনি। মহাক্না থোকখিবা মতমদা অনোক অঙৌবা, ফুরিৎ অঙৌবা ফুল, চুনি হঙ্গাম মপানগা অমুবগা লাংবা, ফনেক লৈ মচু, অদুগা চম্পল অমা শেৎ চাখি। অৱাংবনা ফুট ৫ ইঞ্চি ২ রোম ৱাংই। কনাগুম্বনা মহাকপু থেংনবীরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন অমদি মখাদা পীজরিবা মীওই অসিদা পাউ পীবিয়ু। তৌবিল খঙবা উৎচগনি।

**য়ুম্নাম ববিতা দেবী (মনেম্বোক)**
**য়ুম্নাম জোন্সন সিংহ (মপুরোইবা)**
লিলোং চজিং মাইরেনখোং।

*এসএল।বি।৪*

## SOCIAL SCIENCE TUTORIAL CENTRE

*Soibam Leikai, Khanglabung Leirak*

**ADMISSION OPEN**

**For Classes (VIII), (IX), (X) & (XII Arts)**

Class (X) (M.B.) অমদি CBSE দা খ্বাইদগী Question চানহল্লিবা চাদা 72% গী মথক্তা হংলিবা অমদি খ্বাইদগী হেন্না মার্ক ফংহল্লিবা অদুগুম্বা Tutorial Centre নি। থৱায় য়াওবা মহৈরোইশিংনা অমদি Parent শিংনা ঙসিমক লাক্তুনা Tutorial অসিদগী কান্নবা লৌথৌসি।

Class : VIII (M.B.) : Sunday খক্তা তাকচৈ।
Timing : (6.15 - 7.15) A.M.
Class : IX (M.B.) & IX (CBSE)
Timing : (3.30 - 4.30) P.M. (4.30 - 5.30) A.M.
Class : X (M.B.) 2nd Batch May গী তাং ১ দগী হৌগদবা।
Timing : (4.00 - 5.00) A.M. & (5.45 - 6.45) P.M.

**N.B.** Navodaya, Sainik, Vishakhapatnam (CBSE) নুমিৎ খুদিংগী ক্লাস তৌজগনি।

*Contact :-*
**Soibam Robin**
*(27yrs Teaching Exp. In Social Sc.)*
Ph.No. 98563-57971/ 94029-12272.

*SL/16,18, 20, 22, 24, 26, 28, 30, 2, 4*

## 95 HP গী জেনরেটর ১ য়োঙ্গরি

৯৫ হোর্স পৱারগী রুস পুন ৬ ৱাই বি জেনরেটর (আর্মিচর ৮৫.৫) অমা অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। অপাম্বশিংনা মখাগী থিকানা অসিদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু।

Manager,
Sanaleibak Daily
Contact No. 8414983727.

*SL/B/3*

## কুঠি য়েংথোকপীয়ু

অনৌবা চহি চৈরাওবা লাকপসিদা ইমুং মনুংগী দশা লাংফম অনা অয়েক করবার থবক ইনখাংগী মরম, মহৈ মশিংগী, মচা ধরাগী, য়ুম্বালদা মহী লাংবা শান্তি লৈনদবা, লন–থুম তোয়না মাংবা অমসুং নিশা চাদুনা মতম মাংহল্লিবশিংগী মরম পূম্নমক কুঠি য়েংথোকপীয়ু।

Contact:
8414982183
8974446929
Visiting hours: 8 a.m. to 1 p.m.

Naha Panji
Kwakeithel Thiyam Leikai
Near New Water Supply
*SL/1197/22Mar-5Apr*


# এ এ পিগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে, অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা করপসন লৈতবা ইন্দিয়া ওইহনগনি হায়না ৱাশকখ্রে




***নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৩ ঃ*** ইং ২০১৪ গী জেনরেল ইলেক্সনগা মাংওইননা আম আদমী পার্টিগী লুচিংবা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি শগোলশে নুমিত্তা পার্টি অদুগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে।

লোয়ননা লৈবাক অসিদগী করপসন মুখৎকনি লোয়ননা গেজ সেক্সপু আইননা য়াবা অমা ওইহনগনি হায়না ৱাশক্লি। মেফেষ্টো ফোংবগী থৌরমগা মরী লৈননা পাংথোকখিবা মীফম অদুদা অরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং আম আদমী পার্টিগী লুচিংবা য়োগেন্দ্র য়াদব, মনিশ সিশোদিয়া অমসুং গোপাল রায়নচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা পার্টি অদুগী মেনিফেষ্টো অদু মখুৎনা পায়রদুনা হায়খিবদা, মহাক্কী আম আদমী পার্টিনা লৈবাক অসিদা মতম পুম্বগী ওইনা করপসন মুখৎনবগী ৱাখল্লোন লৈ। হায়রিবা থবক অদু তৌবা ঙমগদবা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তা লৈতে হায়না ফোংদোরক্লি।

হান্নগী চিফ মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, কংগ্রেস পার্টিনা করপসন লৈতবা ভারত অমা ওইহনবগী মতাংদা কৈদৌনুংদসু ৱাফম অমত্তা ফোংদোকপা ঙম্লোই। লোয়ননা হিরম অদুগী মতাংদা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা চিদম্বরম, কাপিল সিবাল অমসুং পৱারবু মরাল শিখি।

মহাক্কী মখা তাবা ৱারোল অদুনা হায়, জন লোকপাল বিল মহাক্কী মেনিফেষ্টো অদুগী মনুং চল্লি। মদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা প্রাইম মিনিষ্টরদগী হৌরগা পিওন ফাওবা কোনশিনগনি।

আম আদমী পার্টিগী মেনিফেষ্টো অদুনা গেজ সেক্সপু ক্রিমিনেল ওইবদগী হোংদোক্কনি। মদু লৈবাক অসিদা অচৌবা দিবেট অমা ওইরিবনি। মদুদা নত্তনা মহাক্কী মেনিফেষ্টো অদুনা মোহলা সভা, লো এন্দ ওর্দর, হেল্থ অমসুং এদুকেসনসু কোনশিল্লি হায়খি।

দিল্লিদা আম আদমীগী লুচিংবা অদুনা কংগ্রেসকী সপোর্ট ফংদুনা সরকার শেমখ্রবা মতুং লমদম অদুগী এসেমল্লিদা জন লোক পাল বিল পুথোক্লবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না সিট ফংখিবা বি জে পি অমসুং কংগ্রেসনা য়াখিদবনা মরম ওইরগা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলশিংগা লোয়ননা ফম থাদোকখি। মদুনা মরম ওইরগা দিল্লিদা হৌজিক প্রসিদেন্ট রুল চলাইরি।

দিল্লিগী লেফটিনেন্ট গভর্নর নজিব জংনা দিল্লিদা অনৌবা সরকার শেম্নবগীদমক খ্বাইদগী সিট মশিং হেন্না ফংখিবা বি জে পি অমসুং কংগ্রেস পার্টিগী ৱাফম ঙাইরিবনি।


## KIME TUTORIALS

Regd. No. : 456/M/SR/2010

MTG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE

| | |
|---|---|
| Class XI Foundation Course, 2014 | Classes Starting on : April 2014 |
| Class XII Foundation Course, 2014 | Classes Starting on : April 2014 |

Special Features :
- Printed probable questions & answers
- Chapter wise well planned Printed study materials
- Regular test Series
- Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS